### ৩শুবা কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএল ফুটসাল টুর্নামেন্ট

# ক্রিপসা, নেরোকা এফ সী অমসুং এস এফ এস মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথ্নদুনা লাক্লিবা অহুম্লকশুবা কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএল ফুটসাল টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা কাংচুপ রোদ য়ং ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (ক্রিপসা), নেরোকা এফ সী অমসুং সঙ্গাই ফুটবোল স্কুল (এস এফ এস) মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬০ শুবা মেটচ ওইনা ক্রিপসা অমসুং মণিপুর স্পোর্টস হাউস (এম এস ঐচ)কী মরক্তা শান্নখিবদা ক্রিপসানা এম এস ঐচপু পাঞ্জল ৫-১দা থোইখ্রে। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ক্রিপসাগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ক্রিপসানা পাঞ্জল ৩-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবদসু ক্রিপসাগী শান্নরোয়শিংনা মখা তানা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক এম এস ঐচকী মায়কৈদগী মেটচ অদুগী অরোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমদগী হেন্না চনবা ঙমদবদগী মেটচ অদু ক্রিপসানা পাঞ্জল ৫-১দা থোইখিবনি। ক্রিপসাগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১০শুবা মিনটতা হৈক্রুজম রোমেননা অমা, ১৩ অমসুং ২৯ শুবা মিনটতা ধর্ম্মজয়না অনী, ২০ অমসুং ২৬ শুবা মিনটতা দিয়াসননা অমা চনখিবনি। অদুগা এম এস ঐচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মাইবম য়োহেনবনা মেটচ অদুগী ৩৪ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬১শুবা মেটচ ওইনা নেরোকা এফ সী অমসুং নাওতোন ফুটবোল একাদেমি (এন এফ এ)গী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা নেরোকা এফ সীনা য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৯-৩দা থোইবা ঙমখ্রে। নেরোকা এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২শুবা মিনটতা গাংমৈ লানজোনলুংনা অমা, ৯শুবা মিনটতা সাম্যুএল সলামনা অমা, ৮, ১৪, ২৭, ৩৫, ৩৬ শুবা মিনটতা লাইরেঞ্জম সুশিলনা মঙা, ২২শুবা মিনটতা নামৈরাকপম দিপক মৈতৈনা অমা অদুগা ৩৩শুবা মিনটতা পিচিময়ুম কিষননা অমা চনখিবনি। অদুগা এন এফ এগী পাঞ্জলশিং অদুনা মেটচ অদুগী ১৩, ২৯, ৩১ শুবা মিনটতা মথংশিংনা পালিবা লাইখুরাম, থোকচোম নাওতোন অমসুং লাইশ্রম বোবোইনা চনখিবনি।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৬২শুবা মেটচ ওইনা লম্লোং থোংখোঙ আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা জুভেনাইল ক্লব অমসুং সঙ্গাই ফুটবোল স্কুল (এস এফ এস)কী মরক্তা শান্নখিবদা এস এফ এসনা পাঞ্জল ৪-২দা জুভেনাইল ক্লবপু মায়থীবা পীখ্রে। এস এফ এসকী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৪, ৩৩, ৩৫ অমসুং ৩৯ শুবা মিনটতা মথংশিংনা কান্থম স্রিনিভাস, সগোলশেম প্রিয়োজিৎ, তেন্সুবম ব্রুসলি মৈতৈ অমসুং পারিঙানবা য়েংখোমনা চনখিবনি।

## এম য়ু টি টি টিমদা য়াওগদবশিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):** মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টেবল টেন্নিস (মেন এন্দ ৱিমেন) টিম শেম্নবগীদমক ঙসি সেলেক্সন ট্রায়ল পাঙথোকখ্রবা মতুং এম য়ু টি টি টিমদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

টিম অসিনা মথং থাগী ১ দগী ৪ ফাওবা অমদি ৭ তগী ১০ ফাওবা অসাম রোয়ল গ্লোবেল য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টতা এম য়ু রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নগনি। খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপাগীদা কে এম সীগী বিকিপসন, ষ্টেন্দর্দ কোলেজগী বিকাশ অহৈবম, টি ঐচ রোনাল্ড, কে পি সীগী ৱাইখোম সঞ্জেশ, জে সী আর ঈ জিগী নাওরেম রাহুলনি। অদুগা নুপীগীদনা জে সী আর ঈ জিগী ঐচ সেনেরিতা, মাইবম বিন্দিয়া, রিজনেল কোলেজগী মাইনম দিপা অমসুং ঐচ য়াইফবীনি। রিজর্ভতা লৈরিবা শান্নরোয়শিংনা নুপাগীদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রুয়িখো সেনাচেনা অমসুং দল্লিয়ু ৱাংথোইবনি। অদুগা নুপীগীদা রিজর্ভ ওইনা লৈরিবশিংনা জে সী আর ঈ জিগী লিন্থোইঙম্বী অমসুং এস চিত্রাঞ্জলিনি। খল্লবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ২০ অয়ুক পুং ১১ তাবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টসকী ওফিসতা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

## মণিপুরদগী শান্নরোয় ৬ খল্লক্লে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):** মথং থাগী ২০ দগী হৌরগা ২৪ ফাওবা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা টেলেন্ট আই দি একাদেমিগী ট্রায়লদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরদগী শান্নরোয় ৬ খল্লক্লে। খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি কোন্থৌজম রোবিনসন, য়ুম্নাম মালদিনো, সোইবম দ্রুনাও, মাইস্নাম জোজো মৈতৈ, এম দি ৱাজিদ অমসুং এম দি সেহেজাদ অলি টাজনি। খল্লবা শান্নরোয়শিং অসি থা অসিগী ১৯দা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনদা রিপোর্ট তৌরক্কদবনি। মখোয় থা অসিগী ২৫দা ইম্ফাল থাদোক্কনি। খোঙচৎ অসিগী অচঙবা শেনফম শান্নরোয়শিংনা ওরিজিনেল টিকেটশিং উৎলবা মতুং মখোয়দা রিইম্বর্স তৌগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## মাষ্টর্স এথলিটশিংনা রিপোর্ট তৌবীয়ু

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):** হায়দরবাদকী কাচিবাওলি ষ্টেদিয়মদা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ৮দগী হৌরগা ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫শুবা নেসনল মাষ্টর্স এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুনবগীদমক্তা হন্দক পাঙথোকখিবা ৪২শুবা মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক্স মীটকী অহানবা অমদি অনীশুবা তাখিবা এথলিটশিংবু খল্লে। খল্লবা এথলিটশিংনা চীংমৈরোংদা লৈবা এসোসিএসনগী ওফিসতা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট তৌরনবা মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক্স এসোসিএসনগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

## ওফিসলশিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):** দি এম য়ু ইন্টর কোলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওফিসলশিং ওইনবগীদমক মেটচ কম্মিস্নর ওইনা ঐচ অমর্জিৎ, রেফরিজ এসেসরদা কল্যানি চনু অদুগা রেফরি ওইনা কিরনজিৎ, সুরেশ, ব্রোজেন অমসুং এম দি সুইব খান খল্লে। হায়রিবশিং অসিগী দি এ দি এ ওর্গনাইজর ওইরিবা দি এম য়ুনা পুথোক্কদবনি হায়না অম্ফাগী চেরোল অমনা হায়রি।


## রিভরলেন ৱাই সীনা থোইখ্রে

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):** দি এস এ চান্দেলনা শীন্দুনা স্পোর্টস কমপ্লেক্স চান্দেলদা হৌজিক-হৌজিক চথ্নরিবা দি সী চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট দিভিজন টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রিভরলেন ৱাই সীনা ৱাই এস সী থল্লাপোকপীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা মেটচ ওইনা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবদা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংমান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুবু মেটচ অদুগী মিনট খরা হৌজিনখ্রবা মতুং রিভরলেন ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌরকখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৭ অমসুং ১৭শুবা মিনটতা রিভরলেন ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৯ ঐচ বি রিংখুঙমনা থংন-থংননা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা রিভরলেন ৱাই সীনা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবদসু রিভরলেন ৱাই সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। অদুবু মেটচ অদুগী ৪১শুবা মিনটতা ৱাই এস সী থল্লাপোকপীনা চথ্নরকখিবা এটেক অমা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা রিভরলেন ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৫ অংনিৱারনা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু রিভরলেননা পাঞ্জল ২-১দা থোইখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 967

GM Niclas Huschenbeth (2612) - GM Vincent Keymer (2568)
chess24 Banter Series | Qualifier D chess24.com (14), 2020.09.09

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.Bb5+ Nd7 | 4.d4 cxd4 |
| 5.Qxd4 a6 | 6.Bxd7+ Bxd7 | 7.Nc3 e5 | 8.Qd3 Rc8 |
| 9.O-O Qc7 | 10.Rd1 Be7 | 11.a4 h6 | 12.Nd2 Bg4 |
| 13.f3 Be6 | 14.Nf1 Nf6 | 15.Ne3 O-O | 16.Bd2 Rfd8 |
| 17.Be1 Qb6 | 18.a5 Qc6 | 19.Bf2 g6 | 20.Rd2 Nh5 |
| 21.Ned5 Kf8 | 22.Bb6 Rd7 | 23.Be3 Bg5 | 24.Bxg5 hxg5 |
| 25.Nb6 Qc5+ | 26.Kh1... | | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 966 Solution :**

**28. Bc1** The white bishop attacks Black's knight, which is defending the square h3. **e5 29.Rxe5** The white rook captures Black's pawn, which was defending Black's knight. The white bishop attacks Black's knight, which is defending the square h3. **Qxe5 30.Bxf4** The white bishop captures Black's knight, which was defending the square h3. **Qe7 31.Bh3+ f5 32.Bxf5+ Bd7 33.Qc7#** Damiano's bishop mate
**1-0**

## চহী অসিগী দিসেম্বর ৫দা ওইনা পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, নভেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ২১দগী হৌরগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মীয়েং মখাদা থৌবাল কোলেজনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ৱেথলিফটিং (মেন এন্দ ৱিমেন) এন্দ পাৱরলিফটিং (মেন এন্দ ৱিমেন) কম্পিটিসন ২০২৩-২৪ মথং থাগী ৫দা ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না মথং থাগী ৪গী নুংথিল পুং ১ ফাওবা ওইগনি। মথং থাগী ৫ অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস এম য়ুনা মেনেজরশিংগী মীটিং অমা পাঙথোকপগা লোয়নননা শান্নরোয়শিংগী অরূম্বসু ওনগনি হায়রি।

**মমি ৱারী**

## রজিভ খুমন

অপীকপা অঙাংশিংনা লানগী ৱাহন্থোক করম্না খঙগনি। করম্না তাক্কনি।
নুংশিবনা তিঞ্জং ওল্লবা, শীংনবনা মীহুল ওইরবা মতমসিদা।












**USED VEHICLES EXCHANGE/ 2,3,4 WHEELER SALES WITH PURCHASED / VEHICLE LOAN AVAILABLE**

# মখল খুদিংমক্কী Used Vehicles : 2 Wheeler (Activa, Dio, Pleasure, Fascino with Motorcycles... etc.) 3 Wheeler (Diesel Auto, Petrol Auto, e-rickshaw... etc.) 4 Wheeler (Cars, Commercial Vehicles, Tractors, Van, Eco Van and Heavy Vehicles, J.C.B... etc.) শিং Exchange তৌবীনিংবা, য়োনবীনিংবা (Sales) অমসুং লৈবীনিংবা (Purchasing) মীওইশিংগী খুদোংচাবা পীজরি।

# 2/3/4 Wheeler গী Loan গী খুদোংচাবসু লৈগনি।

**EMPLOYMENT NEWS**

# Car Wash Helper 2, Tyre Fitting helper 3, Gr-IV - 3, Driver 3, Office Asst. : H.Q. Nambol, Samurou অমসুং Thoubal

N.B. লৈবা-চাবা Free ওইবগী মথক্তা থাগী Pay মতিক চানা পীগনি।

HL-B/8363/15/9-15/12

Please contact :
**L.G. Motors**
Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West with all Branches
Mobile No. : # 9366434484
# 9362775475

HL-B/8399/17

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com